## এডিটোরিয়েল

# এম য়ুগী প্রোফেসারশিংনা করি খল্লি

*মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগীদি ঙসি ফাওবদা য়াম্না তংদুলৈতাদ্রিবা য়ুনিভসিটি অসিগী ৱাথোক অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী খুৎ চংখিদ্রি। মণিপুরগী ইদুকেশন মিনিষ্টর মশামক্না য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিসোছ মিনিষ্টর প্রকাস জাবদেকারগসু হংথেংনা উন্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা ফোংদোকখিবসু লৈরি। অদুগা নাকল অমদনা অকক্লবা নুমিৎ মরীখক পীদুনা ত্রাইবেল মহৈরোই বোদি অমনা হান্নগী ৱারেপ হন্দোক্লবা খংহল্লকপগা লোয়নননা য়ানদ্রবদি ব্লোকেদ তৌগনি হায়নসু অকন্বা ৱানিং তৌরকপা লৈরি। সেন্ত্রেল এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন্স রিজর্ভেসন ইন এদমিসন এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১২ ইন্দ্রবদি ত্রাইবেল মহৈরোইশিংনা এসাইনমেন্ট, টেক্ট নৎত্রগা ক্লাস এক্টিভিটিজশিং শরুকয়াদনবা অকন্বা ফিরেপসু খংহল্লক্লি। মতাংসিদা হংনরক্কদবা ৱাহংশিংদি কনানা খ্বাইদগী চাওই হায়বসিনি।*

*সরকারনসু নোলেজ লৈতে হায়না শেংদোরক্লি, অদুমক্তদা সরকারগী ময়োক্তা অকন্বা খোংথাং কয়া লৌননবগী ফিরেপসু লৌরক্লি অসুম্না অঙম তান্নবদা খুদিংমক্না মাংজগদবদি তুংগী আশা ওইরিবা চন্লবা য়ুনিভর্সিটিগী ছাত্রশিংনা ওইগনি। মহৈ লোইশঙদা রাজনিতিগী খোঙদাফম লৈহন্দবনা খ্বাইদগী অফবা মরম ওইহল্লগা ছাত্র ওইরিবশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎপশিংনসু অমোৎপা রাজনিতি শান্নফম থোক্তে হায়নিংই।*

*পেন্নদবদগী দিমান্দ তৌনরক্লিবনি, তৌফম থোকপা ৱাকৎ মরক্তা হেঞ্জিন্না অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নবদি অফবা ওইরোই। মীয়ামগী মীৎয়েংদা ওন্নবা ৱাখল্লোন পুরক্লবদি লমদমসি খক তংদু লৈতাহনবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফমসিসু মরী লৈনবা হায়র ওঠোরিতিনা ফোংদোকখিবদু লৈখ্রে। কনানা চুম্বা লানবা থীদনা য়াম্না টান্সপরেন্ট লৈবা খোঙথাং অমা ওইনা ষ্টেটকী ইজুকেসন মিনিষ্টর মশামক্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টির হকথেংননা উন্নখিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি অমদি ট্রাইবেল মহৈরোইশিংগী মায়কৈদগীসু অচুম্বা ৱাখলনি খন্নদুনা য়াম্না থুনা একাদেমীক এটমোস্ফিয়ার শেংহন্নবা খোঙথাং অমা লৌখৎফম থোকই। হিরমসিগী মতাংদা য়াম্না চাওনা দায়ত্ব লৌগদবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী প্রোফেসার ময়াম্না তুমিন্না খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোকপা হায়বসিসু য়াম্না অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। মখোয়গী খঙ হৈরবা য়ুনিভর্সিটি নোলেজশিংদু মতম চানা ফোঙদোকহৌবা য়াবা তাঞ্জাদা পাংদবগুম খঙশিন্নদনা লৈবা হায়বসি কনাবু মখোয়না কিরিবনো হায়বা ৱাহং লাক্লি। পূম্নমক্না ইকাই খুম্নরিবা থাক ৱাংলবা প্রোফেসারশিংনা ময়াই লেপ্লগা শাওহন্দনা শনতাইনবা পুরকপদা প্রোফেসারশিংনা য়ানিংদবা লৈব্রা হায়বসিসু হংনরক্লি। সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা লৈরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা য়াম্না চম্বা এদমিসনগী ওইবা কোতা খরদা লৈবাক ৱাথোক ওইবা হায়বসিসু অতোপ্পা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী মমাংদা মাই খুনিঙাইনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অচুম্বদুগীদমক!!

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর*

*এক্সিট পোল, থরোই লমজেল, মালেমগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়ানসু মণিপুরগী পোলিটিকেল সিনরিও নৈনফম, খঙফম থোক্তে। নৈসু নৈনরম্লোই, মরমদি লমসিগী রাজনিতিৱালা খুদিংমক মালেমগী রাজনিতিৱালাগী ষ্টেটস য়ৌবা য়াওদবনিনা কনানসু ৱাখল থাধরম্লোই। য়াম্না প্রিমিতিব ওইবা লমদম অমনি হায়নসু খন্নরমগনি। হংনিংঙাইনি করম্বা চহীদা নোর্থ ইষ্টকী প্রজাশিংনা নিংথীনা মালেমগী মীরক তিন্না ফি–শেৎপা হৌখি।*

*হান্নদি মালেমগী মীপুম খুদিংনা জঙ্গলনি খন্নরিবা অৱাং নোংপোক লমদমসিগী মীওই খুদিংমক জঙ্গলগী পুন্সি মহীংদা হিংলমগনি খন্নরমগনি। অদুবু মদু নত্তে হায়বসিদি সুপ্নগী মণিপুরগী পুৱারীগী ৱারী, লাইরিক কয়াদা, মরুওইনা তমগী মীওইশিংদি ময়ায় ওইরপ চাওখৎপগী মঙাল ফংখি। চীংগী ৱাফমদি নৈনফম থোকপনা নৈনরসনু। তম্মীগা, চীংমীগা চাওখৎপগী মঙাল ফংখিবগী ইতিহাসতি নৈনরুদ্রবসু য়ারে।*

*অদুবু, হৌজিক্তি, তপ্না চেল্লকপা ইচেলনা ইতিনফমদা মতম মান্নদ্রবসু পুন্না তিল্লবনিনা অকোন–অহান খঙদনা ইতিনফম অমত্তগী চাদ–নাওদনি হায়না মখৌ পোংনরিবসি পূম্নমক ইতিহাস কারশিংনা মচা খায়না থল্লমদবগীদমক তাইনফম থোক্ত্রা?*

*কাংলূপ অমগী লূচিংবা ওইরগা হৌরকফম পুৱারীগী নোলেজ লৈতবনা ইন্সিনবা কয়াগী ইনোৎতা সুম তাওদুনা লৈখিবনা ঙসিদি মণিপুরদা চীংমী, তম্মী হায়বা ফুরুপ অনীগী মকা ফোংদবা লান অমা চত্থরক্লি। কনানসু খঙলোই অদুবু হিরমসিদা কুপথনা নৈনবশিংগীদমক্তদি য়াম্না অৱাবগী পন্দুপ হায়বদু ওইরি। ৱাজসনু মরাইবক্কীনি খল্লবসু তুংগী লৈহৌগদবা ইচা ইনাওশিংদদি থোইনা হেন্না চন্নৈনবা ওইগদৌরিবসি য়েংলগা খর খজিক্তি চুমথোক্তবা য়াদ্রবা মতম ওইরবনি।*

*চুমথোকপদা মণিপুর কায়খিবসু য়াই, অদুম্মকপু চুমথোক্লবা হেহাৎনবদা মণিপুর মচেৎ তানা কায়খি হায়বদুদি য়াম্না লেমজনিঙাইনি।*

***অদোমগী,***
***লাই বিমোল***
***ইম্ফাল***

(মালেমগী পুক্নিটং ৱাখলগী হকশেল নুমীৎ ওক্টোবর ১০,২০১৬ কা মরী লৈনবা ৱারেং)

# পুক্নিং ৱাখলগী লায়না

**ডা. মাখোনমনি মোংসাবা**

ঙসি ঐখোয়গী সমাজ অসিদা মরুওইনা খুঙ্গংগী লমশিংদা ৱাখল অমদি পুক্নিংগী ওইবা লায়নাশিংগী মরমদা লান্না থাজবা অমদি মমাংঙৈগী ওইবা চৎনবি কয়া অমা ঐখোয়না উবা ফংলি। মীপুম খুদিংমক্না মখোয়গী মশাদা করিগুম্বা নুংঙাইতবা চৈনা খরা ফাওরকপা মতমদা মদু মহাক্কী হকচাংগী শরুক খরদা অশোয়বা খরা য়াওরকপননি হায়না লায়না খংবা ঙমই। খুদম ওইনা খুৎ তেকপা, মিৎ তাঙবা, না পঙবা অসিনচিংবা হকচাংগী ওইনা লায়না লাইওংশিং অসি উরুবা মতমদা ঐখোয়গী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওবগা লোয়নননা অনা লায়েংশঙদা পুদুনা লায়েংথোক্লবা হোৎনৈ। অদুবু ঐখোয়না কনাগুম্বা পুক্নিং ৱাখলগী লায়না নারবা মীওইশিংবুদি করিদগী মতৌ করম্না ওইরক্লিবনো অমদি করম্না লোয়নবিগনি হায়বনচিংবা অসি থোইনা হেন্না খঞ্জিল্লুদে। মখোয়দা পুক্নিং চংবিবা অমদি খুদক্তা অনা লায়েংশঙতদা পুদুনা লায়েংনবা হোৎনবিবগী মহুত্তা লাই–তিন খুরম্বা, মন্ত্র শোনবা, থৌ তৌবা অসিনচিংবা মমাংঙৈগী চৎনরকপা লাইয়েং পথাপশিং অসি পাঙথোক্তুনা লৈবনা মতম চানা অচুম্বা লায়েং পীবিদুনা থুনা ফগৎহনবা য়াবা অনাবা মীওই কয়াগী ফিভম শোকচিনখিদুনা লায়েংবা মতমদা মতম শাংনা চংহল্লি।

ঙসি ঐখোয়না অসিগুম্বা মখলগী লায়নাশিং অসিবু ওইরক্লিবা অমদি লায়েংবগী মরমদা লান্না থাজবা, মুন্না ভাব তাবা ৱাৎপা মীনা খঙখ্রগা নোক্লবিগদ্রা হায়বনচিংবা সমাজগী মীৎয়েং অমদি মীনোক কয়াবু কিবদগী পুক্নিং অমদি ৱাখলগী লায়নানা নারবা মীওই কয়াদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ওইবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংদনা লৈরি। মীওই কয়া অমগী ৱাখলদনা অসিগুম্বা মখলগী অনাবা অসি হৌখিবা মপোক্তা কর্ম্ম ফল ফত্তবা তৌরুবা, পাপ চেনবা, ভুট প্রেট অমদি পোৎশেম যাদুনচিংবা মরম কয়াদগী ওইরকপনি হায়না লান্না থাজনৈ । মখোয়দা অখঙ অহৈ ডোক্টরশিংগা তান্নদুনা হিদাক লাংথক চাং নাইনা পীজ পীথক তৌদুনা নীংথিনা লায়েংবিরবদি অসিগুম্বা মখলগী অনাবশিং অসি য়াম্না নীংথিনা লায়েংবিরবদি অসিগুম্বা মখলগী অনাবশিং অসি য়াম্না নীংথিনা ফগৎহনবা ঙম্মী হায়বসি থাজদে। মরমশিং অসিদগী লাই তিন খুরুম্বা, পুজা তৌবা পোৎশেম যাদু লৌথোকপা অমদি মাইবা পাঞ্জি তান্নদুনা মনা মশিংগী ওইবা হিদাক লাংথকশিং পীজবনা মরু ওইবা অনা লায়েংগী পান্থে ওইনা শীজিন্নৈ। অমরোমদা কনাগুম্বা মীওই খরদা পুক্নিং ৱাখলগী ওইবা অনা লায়েংফম হায়রগা মরোল মরি তাদ্রবা, ফিজেৎ ফিগাই শেৎপা, সোরোক্তা কোয়চৎ চৎলবা, ৱারী ৱাতাই শাবদা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রবা য়াম্না খুদোং থীনিংঙাই ওইরবা মওংদা নারবা মীওইশিং অদুতবু ফাজিন পুন্সিন্দুনা থম্বা অমদি তাথি তাওইনা তৌবা, ফুবা চৈবা কিহনবনচিংবা তৌদুনা লায়েংগদবা মতম ওইনা লৌনৈ। কনাগুম্বা হায়রিবা অনা লায়েংশঙ অসিদা লায়েংলুরবা মীওই অমবু কৈরোয় লৈকাইগী মীশিংনা মহাক মশাদা নত্তনা ইমুং মনুংগী মীওইশিং ফাওবা লান্না উবিবা, নীংথিনা তোৎন–শম্নবিদবা অমদি ফত্তবা প্রচার কয়া অমা শন্দোকপিবা থেংনৈ। মসিমক্না পুক্নিং ৱাখলগী অনা লায়েংশঙ অসিদা পুদুনা লায়েংনবা হোৎনবিবা মতমদা নীংহন্নবা পোকহল্লি অমদি পুবা তারবসু তঙাই ফদবা তৌদা য়ারক্ত্রবা মতমদতা অরোইবা উপাই ওইনা শীজিন্নৈ।

কনাগুম্বা মীওই খরা অমনা লায়েংবা হৌরম্লগা খজিক্তং ফগৎলক্লবা মতমদা করিগুম্বা খুদোং চাদবা মরম খরা হায়বদি শেল থুমগী খুদোং চাদবা, থওই ৱাওইদবা, থাজদবা নৎত্রগা থাপম্নবনা মরম ওইদুনা চখেরক চৎশিন্দা খুদোং চাদবদগী অনাবা অদু মপুং ফানা ঙমদ্রিঙৈদা লায়েংবা লেপখিবসু য়াওই। অসুম্না মতম শাংনা লেপ্লুরবা মতুং অমুক হন্না অনাবা হৌরক্লবা মতমদা পুরকপনা মরম ওইদুনা নারিবা মীওই অদুবু মতম চানা অমদি অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অদুনা অসিগুম্বা ডোক্টরগী অনা লায়েংদা ফগনি হায়বা থাজবা লৈরক্ত্রবা মতমদা অতৈ অতোপ্পা উপাই কয়া হায়বদি লাই–তিন খুরুম্বনচিংবা মাইবা পাঞ্জি তান্দুনা লায়েংনবা হোৎনরকই। মদুনসু অমুক ফহনবা ঙম্লক্ত্রবা মতমদদি নিংবা কায়রক্তুনা মমৈদদি মখা তানা লায়েংনবা হোৎনবগী মহুত্তা ফবা ঙম্নরোইদবা অনাবনি হায়না খন্দুনা থম্বীবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে।

মসিদসু নত্তনা খুঙ্গংদা লৈরিবা মীওইশিং মরুওইনা লাইরিক লাইশুগী মঙাল নীংথিনা ফংদ্রবা মীওইশিংনা সাইকোসিস হায়রগা খঙনবা খরা হেঞ্জিন্না নারবা মীয়াম্না অঙাওবনি হায়না লৌনরবা অনাবা মীওই অমবু পুক্নিং ৱাখলগী ওইবা অনাবনি হায়না থাজনদে। করিগুম্বা লাইওক তিল্লোক তৌবা অমদি ধর্ম্ম, কর্ম্মগী ওইবা ঈশ্বরগী শক্তি কয়ানা থোকহনবনি হায়না লৌনৈ। থৌওংশিং অসি লাইগী পাপ, লাই–তিন ফত্তবা নৎত্রগা অসিবা মীগী আত্মা অদুনা কনাগুম্বা মীওই অমদা চংখ্রগা থোকহল্লকপনি হায়না লৌবগা লোয়নননা লায়েংনবা পান্থে ওইনা মাইবা পাঞ্জিগী মনাক্তা পুদুনা লাইতিন খুরুম্বা, মন্ত্র শোনবা লাইফম তিনফম লাইশঙ মন্দিরনচিংবদা চৎতুনা আজা পুজা তৌনৈ। হৌজিক্কী মতমগী অনা লায়েংশঙদা পুদুনা অমদি হিদাক লাংথক পিজদুনা লায়েংবিরবদি নীংথিনা ফহনবা ঙম্লে হায়বা থাজনদে। মরম অসিনা হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয় খুদিংমক্না পুন্না ভাব তামিন্নবা দরকার ওইরিবদি পুক্নিং ৱাখলগী লায়নাশিং অসি তোঙান তোঙানবা মরম কয়াদগী হায়বদি ব্রেন্দা মহিক চঙখিবা, লায়না চেল্লকপা, মওং মতৌ কায়রকপা নৎত্রগা অমাং অতা থোকখিবা, ব্রেনগী মথৌ তৌরিবা শরুক্তা অশোয়বা য়াওরকপা, সমাজগী অমদি অকোয়বগী ফিভমদা অহোংবা কয়া, লাকপনা পুক্নিং ৱাখলগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাখলগী লায়না কয়া থোকহল্লি হায়বসিনি।

অসুম্না ঙসি ঐখোয়গী ইরক্তা মশীঙ থীঙমদ্রবা মীওই কয়া অমা অনৌবা মখলগী লায়েং পথাপ অমদি হিদাক লাংথক্কী খুদোংচাবশিং অসি ফংদনা তোঙান তোঙানবা পুক্নিং ৱাখলগী লায়না লায়ওংশিংনা নাদুনা লৈরি। ৱাখলগী লায়না নারবদি অঙাওবনি হায়না হেক্তা খনবা, অসুম্নবু নারবদি লায়েংদুনা ফবা ঙম্নরোই পুন্সি কোন্নরি, তম্বা ঙমদে, থাজবা য়াদে, অরুবা থবক শিন্নবা য়াদে, মনাক য়াম্না নকশিল্লনু ফুরক্কনি অমদি চৈরক্কনি খনবা, ইসা ইসাদদি সুক্না নারক্লোইদবগুম খল্লিবা মীৎয়েং অসিমক্তি তশেংনা লাল্লবনি। মসিমক্না ঐখোয়না ৱাখল লায়না নারবশিংবু কি তুক্কচনা খন্নে অমদি লোৎশিন্দুনা থম্নবা হোৎনৈ লোয়নননা মতম চানা লায়েংনবা হোৎনবদা মী খঙখিনি কিবদগী অপনবা ওই।

চুম্মী, কন্না নারিঙৈ মতম খরদি ৱাখল চুম্না খনবা ঙমদবদগী ঙাঙনবা য়াদবা মীঙোন্দা অসোক অপন থোকহনবা অমদি পামদবা থৌদোক থোকপা য়াওদবা নত্তে। অদুবু মুন্না খল্লুরবদি মসি ৱাখল লায়নাবু মতম চানা খঙদোকপিদুনা অচুম্বা লায়েং পিবিবগা লোয়নননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগীনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। লায়না অসি জাৎ বিজাৎ, অচৌবা মচা, লায়র ইনাকখুনবা, নুপী নুপা, অঙাং অহল খায়দে, ঐখোয় খুদিংমক্তা নারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অসিনা ঙসি ঐখোয়গী হকচাংদা নাবা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং হায়বসি টি বি, লেপ্রোসি, টাইফটনচিংবা মীয়াম্না য়াম্না লুনা কিনা লৌনরম্বা লায়না কয়াবু ইরাই লায়না ফহনবা ঙম্বগুম পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা লায়না লাইওংশিং অসিসু য়াম্নালায়না ফহনবা ঙম্বগুম তোঙান তোঙানবা মখলগী হিদাক লাংথক অমদি অনা লায়েংগী খুদোং চাবশিং মরাং কায়না লৈরবা মতম অসিদা ৱাখল লায়না অমদি লায়েংগী মরমদা মীয়াম্না য়েংলিবা মীৎয়েং অসিমক্তি তশেংনা হোংদোকপা চুম্লবনি। লায়না অসিনা নারবা মীবু চিংনবা লৈতনা খুদক্তা অখঙ অহৈ ডোক্টরশিংগা তান্নদুনা অচুম্বা লায়েং পীবিনবা হোৎনবিয়ু।

# দেঙ্গী লায়না গী মরমদা মীয়াম্না খঙজিন্সি

হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা দেঙ্গী লায়না নাবগী পাউ মথং মথং লাক্লি। মরম অসিনা লায়না অসি করিনো অমদি মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা চাওরাক্না খঙজিনবা য়াম্নমক তঙাইফদ্রে।

দেঙ্গী লায়নাগী মরমদা মখাগী ৱাফমশিং অসি খঙজিনবা কান্নগনি।

১. দেঙ্গী হায়বসি ভাইরসনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। মসি মরুওইনা মহিক য়াওরবা ইদিস কৌবা কাং মখল অমনা মীওইবদা চিকপদগী নাহল্লি। হায়রিবা কাঙ মখল অসি অয়ুক নুংথিলগী মতমদতা অয়াম্বা চিকই।

২. অরুম কন্না কৌবা, কোক য়াম্না কন্না চিকপা, শরু শয়াং চিকপা, মীৎকী মনুংথংবা শরুক্তা চিকপা নাবা ফাওবা, মাই ঙক অমদি থবাক্কী শরুক্তা লাই থোকপগুম্না মপাক মপাক থোক্লকপা অসিনচিংবনি। খরা শাথিবা লায়ওংদি নাতোন চিন অমসুং য়ারিদা ঈ থোকপা য়াওরকই।

৩. মথক্কী লায়ওংশিং অসিগী চপ চাবা হিদাক হৌজিক ফাওবা লৈত্রি। লাইহৌ নমথনবগীদমক্তা করিগুম্বা লাইওংশিং অসি থেঙনরবদি দোক্তরশিংগা তান্নবীয়ু।

৪. পোরোম্পাৎকী জেনিমসকী মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্টতা লেম্না ঈ চাংয়েং তৌদুনা লায়না অদু ওইব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা খুদোংচাবা ফংবীগনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থেশিংদিঃ**

১. কাংনা চিক্তনবা অচোনবা ফুরিৎ ফিরোল শীজিন্নগদবনি।

২. লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা অয়ুক নুংথিলগী মতমদসু রিকেলেন্ত, মোইসক্যুতো কোইল, ইলেক্ত্রিক্তত ভেপর মেতনচিংবা শীজিন্নবীয়ু।

৩. অয়ুক নুংথিলগী মতমদা তুম্বা তারবদি কাঙনা চিক্তনবা কাংখল শীজিন্নগদবনি।

৪. শীজিন্নদ্রবা হুন্দোক্তুনা থম্বা পাত্রশিং, চফু অকাইবা প্লাষ্টিক কপ কৌতা অসিনচিংবা লৈতনবা হোৎনবা, শীজিন্নদ্রবা তয়ারশিং থম্বা তারবসু হুৎতোক্তুনা ঈশিং তুংদনবা শেমগদবনি। য়ুমগী মনুংদা অমসুং অকোয়বদা লৈবা শীজিন্নদ্রবা ঈশিং তুংবা য়াবা কোলশিং দ্রম, রিজার্ভরনচিংবশিং মথক মখা ওম্থোক্তুনা থম্বীগদবনি।

৫. ঈশিং য়োকপা পাত্রা মখুম চেৎনা খুমদুনা থম্বা অমসুং চয়োল খুদিংগী ঈশিং হৈদোক্তুনা অনৌবা শিন্দোকপা।

# ডাক্টর অমদি অনাবা অনীগী য়ানবা

**ডা. এ মোমোনচান্দ**

ইন্দিয়ান কন্ট্রেষ্ট এক্টকি সেক্সন ১৩ গি মতুং ইন্না মীওই অনী নত্তগা অনীগী হেন্বনা অমত্তগি মখাদা করিগুম্বা থবক থৌরম অমা পাংথোকমিন্নবা য়ানরবদি মীওইশিং অদুনা থবক থৌরমদু কনসেন্ট পিনরে হায়না লৌগনি। মরম অসিনা, কনসেন্ট হায়রগা ঐখোয়না কনামত্তগী থৌইনশিং য়াওদনা মশা–মশানা য়ানজবা নৎত্রগা অয়াবা নিনববু খঙনৈ। অনাবা লায়েংবদসু ডাক্তর অমদি অনাবদুগী মরক্তসু কনসেন্ট দরকার ওই। ডাক্তর অমনা চৎনবা য়াবা কনসেন্ট য়াওদনা অনাবা অমবু হেক্তা লায়েংবা হায়বসি আইন্না য়াদে।

কনসেন্ট হায়বসিদা 'এক্সপ্রেস' অমসুং 'ইমপ্লাইড' হায়না মখল অনী খায়দোকই। এক্সপ্রেস কনসেন্ট হায়বসিন, ৱাহৈনা ফোংদোকপা কনসেন্টনি, মসি অইবা ওইনা নৎত্রগা ঙাংথোক্লগা পিবা য়াই। ইমপ্লাইড কনসেন্ট হায়বসিদি ৱাহৈ য়াওদনা মীদুগী তৌতোরকপা মওং মতৌনা পি। খুদম ওইনা অনাবা অমনা লায়েংশঙদা লাক্লগা লায়েংনবা টিককেট কক্লগা ডাক্তরগী মনাক্তা চঙলক্লবদি মাবু লায়েংনবা ইমপ্লাইড কনসেন্ট পিরে হায়না লৌই। তৌইগুমসুং মসিনা অনাবদুগী ঈ লৌবা, এক্সরে লৌবা নৎত্রগা থাঙ থাবগুম্বদদি চৎনবা য়াদে। ময়ামশিং অসিগিদমক্তদি এক্সপ্রেস কনসেন্ট দরকার ওই।

কনসেন্ট য়াওদনা অনাবা য়েংবা য়াদে। কনসেন্ট পিবা মতমদা কনামত্তগী থৌইনশিন য়াওদনা অমসুং তৌগদৌরিবা তবক থৌওংদুগী অফ–ফত্তা পূম্নমক মমুৎ–থানা খঙলগা পিগদবনি, মদু নৎত্রদি পিরিবা কনসেন্ট অদু চৎনবা য়াদবা কনসেন্ট ওইগনি। লোয়নননা কনসেন্ট নিগদৌরিবা মীওইদু ৱাখল চোইদবা মী ওইগদবনি অমসুং তৌগদৌরিবা থবক–থৌওংদুগিদমক চান্নরবা চহী মতাংগি মীওই ওইগদবনী। খুদম ওইনা ঃ–

১. মেডিকেল চেক–অপ তৌবা অমদি মশা ফননবা লায়েংবগি কনসেন্ট পিবগিদমক্ত দি মশাগী চহী ১২ দগী তাদবা মীওই ওইগদবনি। মশাগী চহী ১২ শুদ্রিবা অঙাংশিংগী দমক্তদি মমা–মপা নৎত্রগা মশাগী চহী ২১ দগী তাদবা, অঙাংদুগী য়াম্না নক্লবা মীওই অমনা পিগদবনি।

২. অনাবা মশাদা খুদোং থিনিংঙাই ওইবা লায়েং মওং, খুদম ওইনা– লায়েং ওইনা মীৎ নাম্মা চৌথোকপা নৎত্রগা খোঙ–খুৎ ককথৎপনচিংবদদি মশাগী চহি ১৮ শুদ্রিবা মীওইনা কনসেন্ট পিবা য়াদে। অসিগুম্বা মতাং অসিদশু মমা–মপা নৎত্রগা অহল–লমন ওইবা অমনা পিগদবনি।

৩. ৱাখল চোইরবা মীওইশিংনা পিবা কনসেন্টতি চৎনবা য়াদে, মরম অদুনা ৱাখল চোইরবশিংগীদি অহল–লমন নৎত্রগা খ্বাইদগী নক্লবা মরী মতা অমনা কনসেন্ট পিগদবনি।

৪. নুপা নৎত্রগা নুপীদা অঙাং পোক্তনবা ওপরেসন তৌবা তারগদি য়ুম্বানমিন্নরিবা নুপী–নুপা অনিমক্কী কনসেন্ট লৌগদবনি।

করিগুম্বা কান্দা কনসেন্ট য়াওদনা ডোক্তরশিংনা অনাবা য়েংবা অমসুং অনাবদুবু লায়েংবিবা য়াই। মদুদি ঃ–

করিগুম্বা কান্দা কনসেন্ট য়াওদনা ডোক্তরশীংনা অনাবা য়েংবা অমসুং অনাবদুবু লায়েংবিবা য়াই। মদুদিঃ–

১. লায়নানা নৎত্রগা অশোক–অপন্না মরম ওইদুনা অথুবা মতমদা লায়েংহৌদ্রগদি ফত্ত–নুংদা থোকপা য়াবগী মওং লৈরবা মী অমা জ্ঞান য়াওদা পুরক্লবদি ডাক্তরনা অনাবদু য়েংবা অমসুং মীদুগী পূন্সি কন্নবা হোৎনবদা দরকার ওইবা লায়েং পায়খৎপা য়াই।

২. আইননা য়াদবা থবক তৌবগীদমক পুলিসনা পুরকপা মীওই অমা মেডিকেল একজামিনেসন তৌরগা অচুম–অরান বিচার তৌবদা মতেং পাংগদবা লৈরবদি কনসেন্ট য়াওদ্রবসু মেডিকল একজামিনেসন তৌবা য়াই।

৩. ৱাখল চোইরবা মীওই অমা অচুম অরান থিদোক্লবা মেডিকেল একজামিনেসন দরকার ওই হায়না কোর্টনা লেপ্লবদি কনসেন্ট য়াওদ্রবসু মেডিকেল একজামিনেসন তৌবা য়াই।

আইননা য়াদবা থবকশিং, খুদম ওইনা হায়রবদা 'আইন কায়না এবোর্সন (অঙাং য়ৈথবা) তৌবগুম্বদা' কনসেন্টকি কান্নবা করিসু লৈতে। অসিগুম্বা থবক তৌরুবগীদমক ডাক্তরশিংসু অনাবা মশাগী নৎত্রগা অহল–লমনশিংগী কনসেন্ট য়াওই হায়দুনসু দন্দি ফংলোইদবগি মরম লৈতে।

ঈ লৌবা, ঈ কাপ্পা, থাং থাবগুম্বগিদি এক্সপ্রেস কনসেন্ট লৌগদবনি। কনসেন্ট লৌবা মতমদা তৌগদৌরিবা থবক্কি মওং অমসুং মদুদগী ওইরকপা য়াবা অফ–ফত্তা পূম্নমক কনসেন্ট পিগদৌরিবা মীওইদ্দা নিংথিনা খঙহন্নবা তুংদা মশানা জ্ঞান তানা অফ–ফত্তা খঞ্জরগা কনসেন্ট পিহনগদবনি। মতাংসিদা লৈনবা কেস খরা পনবা য়াইঃ–

১. এপেন্দিক্স বেরা লৈরবী নুপী অমনা মাগী এপেন্দিক্সতু লৌথোক্লবা কনসেন্ট পিরবা তুংদা, মহাকপু হিদাক থাদুনা পংথহল্লগা ওপরেসন তৌরিবা ডাক্তর অদুনা নুপীদুগী লায়না লৈরবা অঙাংখাও থেংনবদগী, অঙাংখাওদুসু লৌথোকপিরম্মী। নুপীদুনা জ্ঞান তারক্লবা মতমদা মাগী অঙাংখাওদুসু লৌখোকখ্রে হায়বা খঙলকপদগী, ওপরেসন তৌখিবা ডাক্তর অদুগি মথক্তা কোর্টতা কেস অমা থাঙ্গৎলম্মী। মদুদা, শিবা য়াবগী মওংদসু লৈরমদবদা, নুপীদুনা অয়াবা পিরম্বা ওপরেসন্দুদগি হেন্দোক্না অঙাংখাও লৌখোকলুবদুদি লাল্লি হায়দুনা কোর্টনা রাই তাখি।

২. অতোপ্পা কেস অমসু অমদনা, নুপা অমগী মখোঙদা একজিমা হায়বা লায়না অদুনা নাবদগি, ডাক্তরনা এক্সরে য়াইরগা হপ্তা ৮ গি মনুংদা ফগনি হায়বদগী অনাবদুনা এক্সরে য়াইনবা কনসেন্ট পিদুনা এক্সরে য়াইরম্মী। মতুংদা এক্সরে য়াইরুবদুনা মরম ওইদুনা নুপাদুগি মকোঙদু এক্সরে বর্ন অমসুং অলসরনা নারক্লম্মি। মতমদুদা, নুপাদুনা ডাক্তরনদি এক্সরে য়াইরমদাইদা লায়নাশিং অদু, এক্সরে য়াইরবা মতুংদা নারকপা য়াই হায়না হায়বিখিদে, করিগুম্বা হায়বিরম্বা তারগদি এক্সরে য়াইরমলোইদবনি হায়দুনা কোর্টতা কেস অমা থাঙ্গৎলম্মী। কোর্টনা, ডাক্তরদুনা কনসেন্ট লৌরমদাইদা অনাবদুদা, তুংদা ওইরকপা য়াবা পুম্নমক ময়েক শেংনা তাকপিখিদবনীনা ডাক্তরদু মরাল লৈ হায়দুনা রাই তাখি।

কনসেন্ট য়াওদনা অনাবা একজামিনেসন তৌবা অমসুং লায়েংবসিমক আইন্না য়াদবা থবকনি। মশক নাইবা থবক থৌরম অমগি কনসেন্টনা অতোপ্পা থবক থৌরম অমগিদা শিজিন্নবা য়াদে। অদুতা নত্তনা ময়েক শেংনা, অফ–ফত্তা পূম্নমক তাক্তনা লৌবা কনসেন্টতি চংনবা য়াদবা কনসেন্টনি।

হৌজিক–হৌজিক লায়েংশঙ কয়াদা চৎনরিবা কনসেন্ট লৌবজি মওং হায়বদি হান্না শেম–শাদুনা লৈরবা কনসেন্টকি চে অমদা, মদুদা লৈরবা মুন্না তাকপিবা নৎত্রগা খঙহনবা তৌদনা, সিদা সহি অমত্তা তৌবিয়ু হায়দুনা লায়েংবা লাক্লিবা মীওই অদুগী সহি লৌরগা হেক্তমক অনাব য়েংবা অমদি থাঙ থাবনচিংবা তৌনরিবসিমক, করিগুম্বা কান্দা ইথা–থাজরুদবা মওং অমা লাক্তু না ডাক্তরশিংদা অৱাবা কয়া থোরকপা য়াই। মসিগুম্বা কয়াসি থোক্তনবগিদমক, ডাক্তর অমদি অনাবা অমসুং মাগী কাংবুশিংগী মরক্তা ৱা লোৎনদবা অমসুং চেকশিনবা দরকার ওই। লোয়নননা কনসেন্ট পিগদৌরবা মীওইশীংনসু সহি তৌগদৌরিবদু কনসেন্ট পিগদৌরিবা মীওইশীংনসু করি মরমগিনো হায়বনচিংবা পূম্নমক মুন্না খঙদোকপিরগা সহি তৌবিগদবনি। মিনিট মরি–মঙাদং কাইখোক্লরগা, অফ–ফত্তা শেংনা তান্নহৌদবদগী পুন্সি চুপ্পদা নুংঙাইনদবা থোকহনবা ফত্তে। মসি থোক্তনবা ডাক্তর অমসুং অনাবা অমদি অনাবগী মীওইশিংনা হোৎনবিবা তাই।